## শা-ষন হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি হোস্পিটাল অমদি পিপল এদভান্সমেন্ট ওর্গনাইজেসন, হিয়াংথাং মখা লৈকায়না শীন্দুনা ফ্রী মেগা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা শা-ষন হিদাক কাপথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি নন্দকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হিয়াংথাং মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা ৱার্ড মেম্বর পাঙম্বম ওংবী কল্পনানা অচৌবা থৌদাং য়াখি। কেম্প অসিদা ষন মচিন-মরৈ নাবগী হিদাকসু কাপথোকখি। ষন ৯০, হূই ৫০ রোমদা হিদাক কাপথোকখি। কেম্প অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংখিবশিং থাগৎলি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## অৱাবা মায়োক্লহল্লে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): উচিৱা নাসতাওদা লৈবা লিতান থোং অসি থা ৪ রোমগী মমাঙদা শেমগনি হায়না উবাক লৌথোকখ্রগা ঙসি ফাওবা শেমদবনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়না রাইজিং ষ্টার ক্লব, উচিৱাগী চ্যেরমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মহৈরোয়শিংনা স্কুল চৎপা ফংদবগী ফীভমদা লৈরে। হৌজিক্তি হিসু থমদ্রে। লান্থোক-লানশিন তৌনবা পান্বেসু লৈত্রে। অথুবদা থোং অসি শেমজিনবীদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) হেদ ওফিস, ব্রাঞ্চ অমদি য়ুনিটশিংদা থৌ পুরিবা থৌবুরোয়শিং অমদি মেম্বর খুদিংমক্কী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ৫ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা এস য়ু কে ময়াই লোয়শঙদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপীয়ু হায়না সুককী জোইন্ট সেক্রেটরি ধনকুমার নিংথৌজানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## সী টি স্কেন য়ারে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিও দাইগ্নোসিসকী সী টি স্কেন হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী য়াদনা লৈরক্লিবা অদু ঙসিদগী থবক তৌবা হৌরে হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): মালেম সনামহী লাইনিং লূপ (মাসল) না শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ৫ দা মণিপর প্রেস ক্লব, ইম্ফালগী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না মাসলগী জোইন্ট সেক্রেটরি কোন্সম জিতেন মঙাঙনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা সনামহী লাইনিং অসিগী অফবা, অচুম্বা ৱাখল পোমিটশিং মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়নননা মালেমগী থাক্তা সনামহী লাইনিং অসিবু মপুং ফানা পুখৎতুনা চপ চাবা য়ুম্ফম অমা লৈহন্নবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱা ঙাঙখি।

হৌজিক্কী অমদি তুংগী ওইবা ৱাফমশিংদা সনামহী লাইনিংগী ওইবা ৱারেপ কয়াসু লৌমিন্নগনি। মীফম অসিদা লেংবীরকপা মীওইশিংগী মরক্তংগী মাসলগী অনৌবা থৌপুরোয়শিংসু খনগনি। মীফম অসিদা মাসলগী লুপলোয়শিং অমদি চীংমী-তন্মী পুন্নমক্না শরুক য়াবীদুনা মীফম অসিবু মপুং ফাহনবী হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## জি আই সিট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): নোংলৈ-নুংশিংনা য়ুম হুমদোকখ্রবা ন্যু চদোংগী ইমুং কয়াগী মীওইশিংগীদমক সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী মায়কৈদগী জি আই সিট মতেং ওইনা পীখ্রে।

তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা সলাই হোল্ডিংসকী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর নারেংবম সমরজিৎনা খুঞ্জাশিং অদুদা জি আই সিট পীখি। ন্যু চদোংগী ইমুং কয়াগী মীওইশিং, ফুংয়ারদগী মীওই অমদি তোপ খোংনাংখোংদগী মীওই অমগী য়ুম শাবদা মতেং ওইনবা জি আই সিট পুন্না বান ৪৩ য়েন্থোকখি হায়রি। য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা সলাই হোল্ডিংসকী ভাইস ঈ ব্রোজেন্দ্রোসু শরুক য়াখি হায়রি।

# আই এমগী কেম্প লৌথোকখিনবা লৈঙাক্না হোৎনফম থোক্তব্রা : এম পি পি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা সিহাই খুনৌদা অসাম রাইফলস অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা উংখৎনরক্তুনা খুৎ থোক্লরক্কনি হায়বা কিবদগী লমদম অদুগী মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙচৎ চৎলবা ফাওবদা বি জে পি লৈঙাক্না তুমীন্না লৈথোক্লিবা করিগীনো, আই-এমগী কেম্প লৌথোকখিনবা লৈঙাক্না হোৎনফম থোক্তব্রা হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৯৭ দা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন- আই এম অনীনা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনদুনা ওগষ্ট ১ দগী চৎনবা হৌরে হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাউথোকখি। য়ান্নচেরোল অদুগী মতুংইন্না এন এস সী এন-আই এমগী কাদর খুদিংমক্না নাগালেন্দ ষ্টেট মনুংদা লৈবা হেব্রোনদা দিজিগনেটেদ কেম্প লৈনবা য়ানখি। এন এস সী এন-আই এমনা দিমাপুরদা লৈবা হেব্রোনগী দিজিগনেটেদ কেম্প লৈনা লৈনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না সিহাই খুদৌনা দিজিগনেটেদ কেম্প হাংলকপদা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্না করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা করিগীনো। মসি মীয়ামদা শেংদোকফম থোকই। সিহাই খুনৌদা লৈরিবা মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে।

এন এস সী এন-আই এমনা অনওথোরাইজ ওইবা মওংদা কেম্প হাংদোরকপদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না তাশিন্নদনা লৈগদৌরিব্রা। চীফ মিনিষ্টরগী লীচিং মখাদা চীংদা চৎসি, খুঙ্গংদা চৎসি হায়বা ৱাফম থমখি। মীয়ামগী অপাম্বা খুদিংমক থবক্তা ওন্থোকসি হায়না লাউখিবনি। সিহাই খুনৌগী মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙচৎ চৎলিবা অদুদি মীয়ামগী খোল্লাউ নত্তবরা হায়না হংনিংঙাই ওই। সিহাই খুনৌদা এন এস সী এন- আই এমনা অনওথোইরাইজ দিজিগনেটেদ কেম্প হাংদোরকপদা মণিপুরদগী হোংদোকহনবা ঙমদ্রি। হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা অসাম রাইফলসনা লোএন্দ ওর্দর কন্ট্রোল তৌরিবা সিহাই খুনৌদা অনওথোরাইজ ওইবা মওংদা হাংদোরক্লিবা দিজিগনেটেদ কেম্প থিংনবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংশিং মণিপুর লৈঙাক্না শৌগৎফম থোকই।

এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা মুইভা অমসুং ইসাকনা তুম্লুরবা অৱাং নোংপোক মীয়াম্বু নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন শাগৎতুনা মীকপ থোকহনববু থাগৎলি। ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি এন এস সী এন-আই এম অনীনা য়ানরিবা নাগা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা খুন্দারিবা মঙ্গলোইদ ফুরুপশিংগী অহোংবা লাকপা ঙম্মবা মায়ওনদা চঙশিন্দুনা মালেমগী চাউখৎপগী লম্বীদা পুখৎলক্লবদি লুচিংবা ওইনা লৌফম থোকই। নাগা তাবা অৱাং নোংপোক্কী লম খুদিংমক নাগালেন্দদা পুনশিনবা হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরক্লবদি মণিপুর পিপলস পার্টিনা নাগা মুভমেন্টকী মায়োক্তা লেপকনি। বি জে পি লৈঙাক্না সিহাই খুনৌগী মীয়ামগী অপাম্বা খুদিংমক থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়নসু মখা তারি।

# ষ্টেটসিদা চহী ১ দা শঙ্গোম টন লিশিং ৮২ পুথোকই, তঙাইফদবা চাং য়ৌনা পুথোকপা ঙমদ্রি : চাওবা




ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা চহী অমদা শঙ্গোম মেট্রিক টন লিশিং ৮২ রোম পুথোকই। মেট্রিক টন ২০০ রোমগী অৱাৎপা মেনখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডা. চাওবনা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা ইন্টেন্সিব কেটল দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট (আই সী দি পি) গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

রাষ্ট্রিয়া গোকুল মিসনগী মখাদা প্রাইভেট এ আই ৱার্করশিংগী ওইবা আর্টিফিসেল ইন্সিমিনেসনগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা ডা. চাওবনা হায়খি, আর্টিফিসেল ইন্সিমিনেসনগী থবক হৈরবা ট্রেনিং ফংলবা মীওই কয়া ষন মচা কাপ্পগী থবক্তা শীজিন্নরি। মখোয়দা শেল খরা খরাসু পী। ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা শঙ্গোম য়াম্না থোকপা মখলগী ষন মচা লৌনবগীদমক মচা কাপ্পগী থবক অসি চথবনি। প্রাইভেট ৱার্করশিং অসিদা দিপার্টমেন্টনা ফ্রোজন সিমেন্ট অমদি খুৎলায়শিং পী।

লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা ষন মখল অসি শঙ্গোম থোকপগী চাং ৱাৎলি। হৌজিক্কী মতমদা শঙ্গোম থোকপগী চাং ৱাংবা ষন মখল কয়া থোরক্লি। শঙ্গোম য়াম্না থোকপা ষন মশিং য়ামখৎহন্দুনা শঙ্গোমগী পোথোক হেনগৎহনবা তঙাইফদে। ষ্টেটসিদা পুথোক্লিবা শঙ্গোমগী পোথোক কোন্নদবনা মপান দগী পুশিল্লকপা পাউদর শঙ্গোম কয়াসু শীজিন্নরি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা ষন লোইদুনা শঙ্গোম পুথোকপা মতমদা য়োনফমগীদমক ৱানিংঙাই লৈতে। শঙ্গোমগী দিমান্দ য়াম্না লৈ। শা-ষন লোইবগী চাং হেনগৎহন্নবা অমদি শঙ্গোমগী পোথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা চঙই। ঙসিসু আর্টিফিসেল ইন্সিমিনেসনগী মতাংদা ট্রেনিং পাঙথোক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই সী দি পিগী পি ও, ডা. কে ঐচ শান্তিবালা অমদি ভি ও, ডা. আই নিবেদিতাসু দেজদা ফমখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা ট্রেনি কয়ানা শরুক য়াখি। ট্রেনিং অসি নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা পাঙথোক্কনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# নোংলৈনা ময়ুম হুমদোকখ্রবা বাস্করদা তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): নোংলৈ-নুংশিংনা ময়ুম-মকৈ হুমদোকপিখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সগোলমাঙ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা উয়ুম্পোক মমাঙ লৈকায়দগী সনশম বাস্কর অপোকপা সনশম ইমোদা শিংজমৈ চীংঙা মথক পিসুম হাওগ্রাউন্দ হাইজিনফমদা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যার ওফ দিফরেন্টলি এবল্দ পর্সন মণিপুরনা অহানবগী ওইনা জিঙ্ঘ ভেন অমা খুৎশিন্নখ্রে হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১ দা শিংখিবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুদা উয়ুম্পোক মমাঙ লৈকায়দা লৈবা বাস্করগী য়ুম হুমদোকখিবদগী অৱাবা ফীভমদা লৈরিবা অদু য়েংলগা সেন্টর অসিগী মায়কৈদগী অহানবগী ওইনা জিঙ্ঘ ভেন অমা খুৎশিন্নখিবনি। অঙম্বা মতেং পাংনবা তঙাইফদে।

রিলিফ সেন্টর অসিনা লমদম অসিগী তোল্লা-তারবা মরু ওইনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা মতম-মতমগী অঙম্বা তেংবাং পীদুনা লাকখি। অসিগুম্বা মতেং পাংবা অসিগী শরুক অমা ওইনা নোংলৈ নুংশিৎনা ময়ুম-মকৈ হুমদোকপিখ্রবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা বাস্করদা তেংবাং অসি পীখিবনি। তেংবাং পীবগী থৌরম অদু রিলিফ সেন্টর অসিগী মিদিয়া এদভাইজরসু ওইরিবা 'ফিজিগী মনিলক্তগী' হায়বা জর্নেলগী চিফ ইদিটর নিমোল নিংঙোম্বমনা লুচিংখি। সেন্টর অসিগী প্রোগ্রাম মেনেজর মোইরাংথেম প্রেমিয়র, ইন্টর্নেসনেল এৱার্দি, প্রোজেক্ট কনসল্টেন্ট বিক্রম ময়েংবম, ইন্টরনেল ওদিটর কোরৌ অমদি নেসনেল এৱার্দি লাইময়ুম অমরেন্দ্র শর্মানচিংবনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, মখোয়দা তেংবাংনবা কনা লৈত্রে খন্না পুক্নিং শোম্থনা লৈরম্লবা বাস্করগী ইমুং মনুংদা রিলিফ সেন্তর অসিনা তেংবাং পোৎলম খুৎশিন্নরুবা অদুদা হরাওবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরকখি। মখাতানা শৈশকপা রনবির থৌনানা লুচিংদুনা বাস্করগা ইশৈ নোংমাই তৌমিন্নবা লাইজা বেন্দ অমদি য়ুম্বীনসু চেঙ অমসুং শেনগী তেংবাং খুৎশিন্নবীখিববুসু রিলিফ সেন্টরনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# মোইরাংথেম কুল্লা লৈখিদবগী নীশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): গুরু মোইরাংথেম কুল্লা লৈখিদবগী ১৯ লকশুবা নীংশিং থৌরম ঙসি লম্ফেলইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুরী জগোয় মরুপকী হোলদা পাঙথোকখ্রে। ওজা অসিগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ঠিএটর দিরেক্টর রূপহমলগী এল ব্রজ মোহোননা হায়খি, ওজাশিংগী পরম পারা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা খরা লাপথোকপদৌনা তৌরক্লে। ইন্দিয়াগী সম্প্রাইদতনসু গুরু হায়বসি ঈকায় খুম্নগদবনি হায়বসি লৈরি। গুরু ময়াম অসিসু লাই ওইনা লাৎকদবনি। সিক্সা গুরু অমসুং গুরু অনীদা লৈরিবনি। ওজাশিংনা মথং মথং তম্বীরকপা অসিনা লৌশিং হেনগৎলিবনি।

ওজাসিগা চহী ২০ লোয়নরকপদা ওজাগীদি তমজনিংঙাই ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৯৬ তা অলহাবাদতা থেংনখিবা মতমদুদা ওজাসি ময়ামদুনা থোরক্তুনা খুরুমখি। ওজাদি চৎমিন্নবদসু য়াম্না নুংঙাইবা, মীঙোন্দা অকায়বা পীদবা মীগী মতেং পাংনবা হোৎনবা মীশকনি। ওজাদি থকশি-খাসি য়াওদবসি য়াম্না য়াদে। অহানবা এম আরগী বেন্দ পার্টি ওজানা শিল্লম্বনি। অদুগা ওজা অসিনা লৈত্রবা মতুং অসিদদি ওজাগী মতিক ময়াই হেনগৎলকই হায়খি।

প্রসিদেন্ট ওইখিবা হান্নগী গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজগী রিটয়র্দ মোইরাংথেম কুমারনা হায়খি, ঐগী আদি গুরিনি অদুগা ঐগীসু ইয়াম্বনি। ঐবু বাঁসি খোংঙু হায়দুনা খরা খরা খোংহনখি। মদুসু রূপহলদনি। শিকি অমগা পীরকপদা হরাওবদা লোইরে। ওজাসিনা য়ানিংদ্রবদি নঙসিদি লোইরে হায়রক্কনি। অদুগা ঙাইহাক লৈরগা শাওবা ফৈ। হৌজিক্তি ঐনা খঙদবা লাকপদা হংনবা ওজা লৈত্রে।

ওজাসিনা হায়, ঈশৈ, জগোয় তৌবা হায়বসি শেল ফংবা নত্তে। অদুনা ওজা তরুনগা ঐগা কোয়লাস থাবা য়াওরিবনি। মসিদগী শেল তাল্লগা ঈশৈ, জগোয় তৌরিবনি হায়খি। ওজাশিং অসিনা তন্বীরম্বদগী ক্লাসিকেল, বেলে, সঙ্গীত, মতম ঈশৈ লৈরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা লমদমসিগী শরুক ইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। ঈশৈ নোংমাইগী লমদা খঙ-হৈরবা ওজা কয়াসু য়াওখি।

# লৈঙাক্না অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু : বোন

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা সন্তোস হৌজিক শোক্তুনা লৈরি। বোম পোকখায়হনখিবা অদুগী অচুম্বা লংলা-লংজিল লৈঙাক্না পুথোকপীয়ু হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী ৱাঙাঙলোয় থোইদিংজম বোননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা বোননা হায়খি, ঙসি পাউগী মীফম পাঙথোক্লিবা অসি য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব, খুরাই কোন্সম লৈকায় অপূনবা নুপী লূপকা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি।

থা অসিগী ২২ গী নুমীদাংদা এম এম টি এগী গেট মপাদা বোম অনী পোকখায়বদা কোন্সম সন্তোসসু মখোঙ অনীমক শোকখি। মখুৎ অনীসু শোকখি। ঙসি ফাওবা লৈঙাক্না হন্না ফাওবা য়েংবা লাক্তে। সন্তোস হৌজিক হৌজিক য়ুমদগী মপান থোকপা কিবদগী মপান থোক্তনা লৈরি। বোম অদু কনানা করিগীদমক পোকখায়হল্লিবনো হায়বসু ফোঙদোরক্ত্রি। লৈঙাক্না অথুবা মতমদা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু।

সন্তোসতা করি তৌরক্কদগে হায়বগী অকিবা অমগা লোয়নননা মপান থোকপা ঙমদনা লৈরি। ইম্ফাল ময়োলদা বোম পোকখায়রগা লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবা লংলা-লংজিল পুথোক্তনা লৈরি। বোম পোকখায়রিবা মফম অদু ট্রাঞ্জিট কেম্পগসু য়াম্না নক্নবা মফমনি। সন্তোসতা তৌগে য়াওনা তৌরকপ্রা হায়বদু চিংনরিবনি। লৈঙাক্না অথুবদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু।

কোন্সম সন্তোস মখোঙ অনী অমসুং মখুৎ অনী শোক্তুনা হৌজিক লৈরি। সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা সন্তোস হৌজিক শোক্তুনা লৈরিবা অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়েংবা অমত্তা লাকপীদে। সন্তোসতি মখোঙ অমদি মখুৎ অনীমক শোক্তুনা য়ুমদগী চৎথোকপা ঙমদনা লৈরি। বোম পোকখায়বদা শোকপা অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক য়ুমদগী মপান থোকপা কিদুনা লৈরিবনি। লৈঙাক্না মীৎয়েং অমত্তা চঙবীদনা লৈরি। বোম পোকখায়বগী মতাং অসিদা লৈঙাক্নসু অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লিগেল এৱ্যেরনেস

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, সেনাপটি অমসুং ৱিমেন সোসল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, কাংচুপ ময়ায় লৈকায় অনীনা পূন্না শিন্দুনা ঙসি কাংচুপতা লৈবা লিটল সিদ স্কুলদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না ৱিমেন সোসল দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মহৈরোয় ১৫০ রোম্না শরুকয়াখিবা থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কৈশাম ধনে, এল এ সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা পোকসো এক্টকী মতাংদা মরিকচুম্বা ৱাফম কয়া থমদুনা শরুক য়ারিবশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি। ওল মণিপুর লেদিজ এদভোকেট এসোসিএসনগী এক্স-জেনরেল সেক্রেটরি এল অশাপুর্নিনা সাইবর ক্রাইমগী মতাংদা কান্নরবা ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কনষ্ট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এম সুনিতানা চিফ গেষ্ট, লিটল সিদ স্কুলগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল চিচিন অঙোমনা প্রসিদেন্ট অদুগা এস সি এ এফকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মুখ্রা দেবীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা খুন্নাইগী য়াইফনবা মায়কৈদা চঙশিল্লসি : নারেংবম সমরজিৎ

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা খুন্নাইগী য়াইফনবা মায়কৈদা চঙশিল্লসি হায়না এন ঈ আই দি পিগী সী দব্লিয়ু সীগী প্রসিদেন্ট নারেংবম সমরজিৎনা ঙসি তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা নৈনশঙ ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এক্স-সার্ভিসমেনশিং ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।




এন ঈ আই দি পি মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নারেংবম সমরজিৎনা হায়খি, এক্স-সার্ভিসমেনশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা সার্ভিস তৌরুরবা অহলশিংনি। অহলশিং অসিবু ঈকায় খুম্নবগা লোয়নননা তরাম্না ওকপনি। অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎতুনা খুন্নাইগী য়াইফনবগী মায়কৈদা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিনা নোর্থ ইষ্টকী ওইবা অপূনবগী শক্তমগীদমক লেপ্লি। রিজনল পার্টিদি লমদমসিগী লৈহাওদা রিজন অসিদা মীয়ামগীদমক থবক তৌনবা পার্টি অসি থোরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এন ঈ আই দি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না হায়খি, নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়েংবা মীৎয়েং অমদি রিজনল পার্টিনা য়েংবা মীৎয়েংগা খেন্নবা লৈগনি। চাউরকপা ওইবনা রিজন অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইখিবা আর কে অনন্দ, আউটরদা মীরেপ ওইখিবা অসাং কসর, এন ঈ আই দি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনাওবী, ঈ ব্রোজেন্দ্রো অমদি এক্স-এম এল এ, ডা. ইবোহলবীসু শরুক য়াখি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া নেসনল টেষ্টিং এজেন্সীনা লৌবা জে ঈ ঈ মেন জোইন্ট এন্ট্রান্স এগজাম ২০১৯ দা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা নম্বোল ফোইজিং অৱাং লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম প্রিন্সনা মকোক তারক্লে। মসিগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন, য়ুনাইটেদ ভল্যুন্টরি ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ লমজিংবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহাক্না মার্ক চাদা ৯৮.৫৫ ফংখি। লাইশ্রম প্রিন্স অসি লাইশ্রম সিতোলজিৎ অমদি লাইশ্রম ওংবী বিমোলা অনীগী মচা ৬ কী মনুংদা ইতোন তোনবা নুপা মথন্তনি। এগজাম অসি থোইদোক হেন্দোক্না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা এঞ্জিনিয়রিং কোলেজশিং অমদি টেক্নিকেল ইনষ্টিট্যুটশিংদা এদমিসন তৌনবগীদমক পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# এম এস এফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি রিফোর্ম তৌখ্রে, থৌ পুবশিংসু খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী প্রসিদেন্ট ঙারিয়াম্বম মিলননা ময়াই তাংবল লৌদুনা মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এম এস এফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ২০১৯-২০ রিফোর্ম তৌখ্রে হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ইন-চার্জ বিদ্যাসাগরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এম এস এফনা লিশাং শিংনা চথদুনা লাকপা একাদেমীক কেম্প্যেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়রিবা অসিগী মখাদা মণিপুরগী শোথনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা অঙম্বা মতেং তৌদুনা লাক্লি। একাদেমীক কেম্প্যেন অসিবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগী পান্দমদা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা লৈরিবা স্কুল-কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংগা এম এস এফকী হেদ ওফিস, ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা পুন্না ফম্মিন্নদুনা কুপ্না খন্ননৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা ইরৈবাক অসিগী লোয়নননা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংনা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্কবা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থৌরম অসিগী ময়াই তাংবল লৌখিবা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট ঙারিয়াম্বম মিলননা মহৈরোয়শিংদা থমখিবগা লোয়ননা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি ২০১৯-২০ সু রিফোর্ম তৌখ্রে।

থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা মোইরাংথেম বিদ্যানন্দ, ভাইস প্রসিদেন্টতা খাঙেম্বম তাঞ্জনিয়া, জেনরেল সেক্রেটরিদা খাইদেম রোবিকান্তা, জোইন্ট সেক্রেটরিদা ৱারেপম ইদিশন, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা সিনাম জোনি, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা পুখ্রম্বম হিটলর, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা ওইনাম রবি, ৱিমেন এফ্যেরস সেক্রেটরিদা লাইফ্রাকপম পোল্লি, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন্স এফ্যেরস সেক্রেটরিদা খুমাম পাদমা, এগজিক্যুটিব মেম্বরদা দব্লিয়ু নন্দিতা, থোকচোম সচিন, চান্দম তিনচু, নাওরেম য়াইবিলেন, খোমদ্রাম অবুঙো, লাইশ্রম সুশিলকুমার, খাঙেম্বম নাওবা, মোইরাংথেম লালঙম্বা, হাইবম পাদমনি, দব্লিয়ু সনামচা, ওইনাম ভিভেকানন্দ, ৱাহেংবম রোহিট, অর্নোল্ড থোকচোম, সলাম য়াইফবা অমসুং ওইনাম পুস্পারানিনি। এম এস এফনা চথরকপা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা কেম্প্যেনগী মখাদা মহৈরোয়শিংগীদমক অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। কেম্প্যেন অসিবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগী পান্দমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী স্কুল-কোলেজ কয়াগী মহৈরোয়শিং য়াওনা মীফম পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# 'য়াইরিপোক্তা রেল্লি চৎলগনি'

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইম, য়াইরিপোক মালোমগী য়াইফ-লমজিং ক্লব অমদি মালোমগী মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ক্লব অসিগী লম্পাক্তগী লমথাদুনা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমা চৎলগনি হায়না ওর্গনাইজেসন ফোর ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইমগী সেক্রেটরি এ রোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, রেলি অসি হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক, মৌনা ময়ুম পানবা, অরোনবা নুপা থম্বা, য়ুম পানবা নুপাশিংনা নুপী কোয়বা, নুপী চেল্লকপা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মপুরোইবশিং ফাওবা হাৎপা হৌরকপসিদা মতুং থোক্তনবা চৎকদবা রেল্লিনি। নুপা খক্তদা চৈরাক ফংলম্বা ৪৯৭ এদল্টরি লৌথোকখ্রবনিনা ফত্তবা নুপাসু নুপীসু চৈরাক পীবা লো অমা শেম্বীয়ু হায়না খোল্লাউ কয়া লাউদুনা চৎকদবা রেল্লিনি।

রেল্লি অসিদা মায়কৈ অদোমগী খুনশিং, ফঞ্জখোং, চন্দ্রখোং, মালোম, লৈরোংথেল, খোইরোম, কেক্রু, বামোন লৈকায় অমদি য়াইরিপোক বজারদা মীফম অমা ফমদুনা ৱারেপ কয়াসু লৌগনি। রেল্লিদা শরুক য়ারিবা খুলশিংগী মৌশিংনসু মৌ অমগী শাজৎ নত্তবা, অরোনবা নুপা থম্মোই, য়ুম পাল্লোই, অতোপ্পা নুপাদা চেল্লোই, ইচা-ইপুরোইবা হুনে দাক্তুনা শাগৈ-নাতৈ, খুল চেন্থগদবা থবক তৌরোই হায়বগী সাইনসু তৌগনি। লমদম অসিগী মায়কৈ মায়কৈগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমসুং মীফম শিনবীয়ু। ওর্গনাইজেসন অসিদা ঈ-পাউ পীবীরকউ। ওর্গনাইজেসন অসিগা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নসি।

হৌজিক লমদমসিদা থোক্লিবা মৌনা ময়ুম পানবা, অরোনবা নুপা থম্বা, য়ুম পাল্লবা নুপাশিংনা নুপী কোয়বনচিংবা চথরক্লিবা কয়া অসিগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অসি চৎনবা শেম-শারে। য়াইরিপোক মালোমগী য়াইফ-লমজিং ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগা ৱিমেন্স এগেনষ্ট ক্রাইমগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা খোঙচৎ অসি চৎকদবনি। খোঙচৎ অসি ক্লব অসিগী লম্পাক্তগী লমথাগনি। ময়ুম পাল্লবা মৌনা অরোনবা নুপা থম্বা অমদি নুপাশিংনসু নুপী কোয়বগী চথরক্লিবা থৌওং কয়া অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চৎকদনি হায়নসু মখা তারি।

# প্রোজেক্ট দিফঙ্ক তৌদুনা লৈরে হায়খিবদু য়ানিংদে : কম্মিটি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): লোক্তাক লিফ্ট ইরিগেসন (এল এল আই) প্রোজেক্ট কুমজা ১৯৯০ দগী দিফঙ্ক তৌদুনা লৈরে হায়খিবদু য়ানিংদে হায়না বিষ্ণুপুর এ সীগী কোংগ্রেসকী পোল্লিং কম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

তৌপোকপী, উপোকপী, পোৎশংবম, নাচৌ অমদি ক্বাসিফাইগী পোল্লিং কম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা নাচৌ অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা হায়খি, নিংথৌখোংগী পম্প হাউসতা লৈবা এল এল আই প্রোজেক্ট অসি মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী দিমান্দগী মতুংইন্না ঈশিং পী। হান্নগী মতৌগুম প্রোজেক্ট অসিনা কুমজা ১৯৯০ গী মতুংদগীদি দবল অমদি ট্রিপল ক্রোপিং তৌনবা ঈশিংদি পীবা ঙমখিদে। অদুবু এ সী অসিগী কোংগ্রেসকী দিভলপমেন্ট কম্মিটিশিংনা লোকল এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগা তান্নদুনা চহী খুদিংগী ঈশিং ৱারকপা মতমদা ঈশিং পীনবা হোৎনৈ। মসিদা নত্তনা মতম খরগী মমাঙদা কেনেল অসিদা পুঞ্জদুনা লৈরম্বা ফৎতবা কয়া শেংদোকখিবদসু ঙাইরি হায়খি।

কেনেল খোংনুংশিং অসি মতম খরগী মমাঙদা কম্মিটি অসিনা শেংদোকখিবদগী ঙসি ইম্ফাল মেন কেনেলদা ঈশিং থাবা ঙম্বনি। কেনেল খোংনুংশিং তেংবদা লোকল এম এল এদা নত্তনা থিনুঙ্গৈ জিলা পরিষদ মেম্বর, গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান, নাচৌ জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধান, খোইজুমান ক্বাসিফাই গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধাননচিংবসু তেংবাং পীরকখি হায়না কম্মিটিগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখি।

হায়রিবা কেনেল শেংদোকপগী থবক অমদি মতম মতমগী ঈশিং থাখিবা অসি এল এল আই প্রোজেক্টকা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিনদি খঙলিবনি। মরমসিনা কুমজা ১৯৯০ দগী দিফঙ্ক তৌদুনা লৈরে হায়রিবসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমদা শেংদোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা বিষ্ণুপুর এ সীগী কোংগ্রেসকী পোল্লিং কম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি য়াওনা মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

## মে দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৌমী মরুপনা শীন্দুনা মরুপ অসিগী পাউনা বজার গভর্ণর লম্বীদা লৈবা ওফিসতা মে দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লৌমী মরুপকী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপগা চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা মণিপুর লৌমী মরুপকী প্রসিদেন্ট য়ুমলেম্বম জোগেন্দ্রো, সেক্রেটরি য়ুগোল সাই অমসুং ষ্টেট কাউন্সীল্লর নবকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। মে দেগী ৱাঙাঙলোয় ওইনা মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম রতন, নামৈরাকপম মেঘা অমসুং য়ুগোল সাইনা ৱা ঙাঙখি। মে দে থৌরম অসি লৌমী শিন্মীশিংগী দিমান্দশিং পুখৎনবা ঈহৌগী শরুক অমনি। থবক য়াম্না শুহল্লগা খুৎশুমল পীক্না ফংলিবা অমসুং থবক শুনা শুনা লায়রবা ওইহল্লিবা চৎনবী অসি লোইশিন্নবা লৌমী শিন্মীশিংগী অপূনবা ঈহৌ অমা মণিপুরদা চঙশিন্নবা ৱাশক লৌবা মতম ওইরে হায়না ফোঙদোক্লখি। সেক্রেটরি য়ুগোল সাইনা মণিপুরদা লৈবা লৌমীশিং অসি শেন্দোং লৈতবদগী লৌমী ওইনিংদ্রে হায়বা ৱাফম থমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# লিদরশিপ ট্রেনিং কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী থৌমীশিংগী কেপাসিটি হেনগৎনবা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা নন-রেসিদেন্সিএল লিদরশিপ ট্রেনিং কেম্প অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা কোনুং মমাঙ পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোঙদা লৈবা কাদাগী ওফিসতা হৌদোকখ্রে।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাঙসু শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বরগী ৱারোল পীরদুনা হিজম প্রিয়োকুমারনা হায়খি, খুন্নাই অসিনা ঙসিদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী অচৌবা চৈথেং অমা মায়োক্নরকপনা ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা মসিবু অকনবা মওংদা থেংনদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎতুনা খুন্নাই অসিবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কঞ্জহৌনবগী তঙাইফদবা মতম অদু লাক্লে। অসিগুম্বা তাল্লক অসিদা কাদাগী থৌমী অমা ওইনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংননবা থবক তৌরকপা মতমদা থৌমীশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহনবা মথৌ তাই। মরম অদুনা কাদানা অসিগুম্বা লিদরশিপ ট্রেনিং অসি মতম মতমগী ওইনা লৈবাক মীয়ামগী মতেংগা লোয়নননা পাঙথোক্তুনা লাকপনি হায়খি।

ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং কেম্প অসিদা তোঙান তোঙানবা টোপিকশিংদা অখঙ-অহৈ, রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাঙগনি। ইন্টরেক্সন সেসনশিং থমদুনা কেম্পরশিংগী নোলেজ হেনগৎনবা হোৎনগনি। কাদানা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা খোঙজং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি।

কাদাগী থৌমীশিংগী ওইবা নুমীৎ নীনিগী নন-রেসিদেন্সিএল লিদরশিপ ট্রেনিং কেম্প অসি ঙসিদগী হৌখ্রে। কেম্প অসিদা অখঙ-অহৈ কয়ানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং লিদরশিপকী ওইবা ৱাখল লৌশিং কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙগনি। কাদাগী থৌমী অমা ওইনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হোৎনরকপা মতমদা থৌমীশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মখা তারি।